**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- লমদমসিগী মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগীদমক সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

২) সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়রি- মীমান্নদ্রবা মীওই কয়াগী থোইদোক হেন্দোকপা তৌবা ঙম্বা অমদি হৈথোই শিংথোইবশিং অদুনা সমাজদা মখোয়গী অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমলি।

৩) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে, চীং নীংখায়বা অমসুং লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

৪) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নরমালা সিতারমন্না পাব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং কুপা য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং নেপালনা ইনর্জি, লল্লোন ঈতিক, কন্নেক্তিভিতি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগী মতাংদা লৈবাক অনি তেংবাং পীনবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা নুপীশিংদা ফি শানবা কোনশিং, লং অমদি অতৈ দরকার লৈবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- খোঙথাং অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা মশাগী শেন্থোক লৈহনবদা মতেং পাংলগনি। মহাকা হায়- সি.এম. য়ার্ন স্কিম অমসুং মুগা সিল্ক বাই বেগ ইন্নিসিয়েতিভকী মখাদা লমদম অসিগী মীওই কয়াদা থবক ফংহনবগী খুদোংচাবা কয়া পীরি। মসিগীদমক সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

আইদিপি (এল)ঃ  লাঞ্জেন্নদুনা হৌজিক রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিং তম্বগা মরী লৈননা খুদোংচাদবশিং মায়োকরবদি ইজ্‌কেসন বিভাগকী মরী লৈনবা মীওইশিংদা পাউ পীরকপা য়াগনি। রাজ্য সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ ইজ্‌কেসন (এস)কী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মহৈরোইশিংনা তেলিফোন নম্বর- **8131806629, 9612113793, 7085805371** অমসুং **8794379366** তা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

ব্লাইন্দ (এল)ঃ  সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়রি- মীমান্নদ্রবা মীওই কয়াগী থোইদোক হেন্দোকপা তৌবা ঙম্বা অমদি হৈথোই শিংথোইবশিং অদুনা সমাজদা মখোয়গী অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমলি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মখোয়গী হৈ শিংবা উৎতুনা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি।

ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা আইদেল ব্লাইন্দ স্কুলগী চহি অমা চুপা চথরকপা গোল্ডন জ্‌ব্লি ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রী দিংগোনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মখোয়গী হৈথোই শিংথোইরিবা লমশিং অদুদা হেন্না মায় পাকবগীদমক হোৎনগনি। কৈদৌনুংদসু পুকিং শোন্থবা অমদি নিংহন্নবা তৌরোইদবনি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী কমিসনার কম সেক্রেটরি- নিংথৌজম জিওফ্রি অমসুং বিভাগ অসিগী দিরেক্তর- ঙাঙোম উতম শরুক য়াখি।

হায়র সেকেন্দরি (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (কোসেম)না শিন্দুনা টেকিক ওফ পেপর সেত্তিং এন্দ ইভালুএসনগী মতাংদা নুমিৎ মঙানি চথ্থগদবা ৱার্কসোপ অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী দি.এম. কলেজ ওফ টিচরস ইজ্‌কেসনগী ওদিতোরিয়মদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা কোসেমগী চেয়ারমেন তখেল্লম্বম ওজিৎনা হায়- পরিক্ষাদা হংলিবা ৱাহংশিং অসিনা মহৈরোইশিংগী থাক ৱাংখৎহনগদৌরিবনি হায়বসি ক্বেসন শেল্লিবা ওজাশিংনা নিংশিংগদবনি।

থৌরম অদুদা কোসেমগী সেক্রেটরি- কে.ঐচ. অস্বিনিকুমার, কন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন- ওইনাম জোয়, দি.এম কলেজ ওফ টিরচস ইজ্‌কেসনগী প্রিন্সিপাল ডাঃ আর.কে. লোকেন্দ্র শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ ৱার্ল্ড হ্যুমেনিটরিয়ান দে গা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী গাংলুন পার্ট-থ্রি ভিলেজদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা কম্মুনিটিগী চাওখৎনবগীদমক থবক তৌরিবা অসাম রাইফলস অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংদা ইকাই খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা খুঞ্জাশিং অমসুং অসাম রাইফলসকী মীওইশিং শরুক য়াখি।

ঈশিং (এল) ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী রাজ্য অসিগী অকুৎপা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে।

থৌবাল জিলাদা লৌশি পাৎ অমসুং খরুং পাৎ অনিগী মরক্তা ঈশিং চেন্থোকবগী লৈরিবা খোং তেকচম মনিং চীং নীংখায়রগা ফুনজিনখিবদগী তেকচমদা ঈশিং ঈচাউ থোক্লে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- য়ুম য়াওনা ঙাগী ফার্ম অমদি লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। খোং অসিগী চাদা ৭০ গী চাংদা

চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা ফুনজিনখ্রে। মফম অদুগী মীয়ামা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক মফম অদুদা ঈশিং লেপ্পা লৈতনা চাউখৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া থুমজিনবা হৌরে। ফিভম অসিগী য়েংলগা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীনবা আপীল তৌরক্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু লোক্তাক পাৎকী মপানদা লৈবা মফমশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়- ঙায়োক ফার্ম পাথোক্তুনা ঙামীশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। ইথায় বরাজ দাউন ষ্ট্রিমদগী অপ ষ্ট্রিমনা হেন্না ঈশিংগী লেবেল নেমথরি।

নোনে (এল) ঃ হন্দক রাজ্য অসিদা নোং লেপ্তনা চুবনা মরম ওইদুনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী পরিংগা কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা কে. সিনাম অমসুং সেজাং ভিলেজ অনিগী মরক্তা চিং নিংখায়বা অমসুং লৈনাং চেনথরকপদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা থোকলে। হৌজিক এক্সকাবেটর য়াওনা মেছিনশিং শিজিন্নদুনা লম্বী শেংদোকপগী থবক চখনবা হোৎনরি।

অমরোমদা, কাংপোকপী অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারিবা নাগা ফুরুপশিংবু নোনে জিলাদা পুনশিন্নবগী দাবী তৌরদুনা রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুরনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অমদি তোংজৈ মরিল রোর্ড (বিষ্ণুপুর-খৌপুম-রেংপাং) রোডতা মতম কক্তবা বন্দ চখবনা মরম ওইদুনা লম্বীশিং অসিদা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্লে হায়রি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা মখল অমত্তগী গাড়ি চৎনখিদে, জিরিবাম লোমদগী লাকপা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরে। অদুমওইনম, অনা লায়েং ৱাটর সপ্লাই, ইলেক্ট্রিসিতি, টেলিকোম, মিদিয়া অমদি মহৈ মশিংগা মরী লৈনবশিংদি বন্দ অসিনা কোনশিন্দে হায়রি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী দাইলি ভিলেজ মনাক্তা নেসনেল হায়ৱে-২ দা চীঙ নীংখায়দুনা লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপদগী পুং কয়া চুপা ত্রাফিক জাম থোকখ্রে। চীং নীংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপনা মরম ওইরগা লম্বী চৎপা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংথিবা থোকহনখি অমদি মহৈরোইশিং স্কুল কান্নখিদ্রে।

এৱারনেস(এল)ঃ ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম মণিপুর অমসুং য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুর ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা দেঙ্গি লায়নাগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ শলাম প্রিয়োকুমার শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী রোয়েল একাডমী ওফ লো-ওইনামগী ৩০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিগী পোজিসন লৌখিবা মহৈরোইশিং পুকিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিল-মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিরেক্তর-শ্রী নাওরেম মোহিলাল মীতৈ, কলেজ অসিগী গভরনিং বোদিগী চেয়ারমেন-এল. রাধাকিশ্বর সিংহ অমসুং সেক্রেটরি ইরেংবম জগেশর সিংহনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নিউজ লেট্টর রুল ওফ লো ভোল্যুম ৮ ফোংখি।

সনা কোনুং (এল)ঃ নুমিৎ মঙানি চুপা চত্থরকপা কংলা ঈচাইবগী লাইথৌ ঙসি লোইশিনখ্রে। কংলাগী নুংজেং ইকোলগী চীংখৈ পাংবদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মাইচৌ অতোনবা অমসুং অমাইবা অমাইবী কয়াসু শরুক য়াখি।

নুপী মরুপ (এল)ঃ আর.জি.কার মেদিকেল কলেজদা ডোক্তর নুপী অমবু তমথিনা হাৎখিবা থৌওংবু ওল মণিপুর নুপী মরুপনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি।

এৱার্দ (এল)ঃ জিবন রক্সা পদক সেরিজ ওফ এৱার্দস ২০২৪ কীদমক মথং থাগী ১০ ফাওবদা মরী লৈনবা মীওইশিংনা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। সরকারগী চেরোল অমদা হায়- অকুপ্পা মরোল দব্লিউ.দবিউ.দব্লিউ দোট এৱার্দস দোট জি.ও.ভি দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

পেন্তিং (এল)ঃ ৱার্ল্ড ফোতোগ্রাফি ডেগা মরী লৈননা লাইয়েকপা অমদি ফোতোগ্রাফিগী কম্পিটিসন অমা ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা ইম্ফাল স্মার্ট সিতি লিমিতেদনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহুদকী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহ অমসুং ইম্ফাল স্মার্ট সিতি লিমিতেদগী সি.ই.ও- হরিকুমার শরুক য়াখি। লাইয়েকপা চাংদমবা অদুদা মহৈরোই চামা হেন্না শরুক য়াখি। কম্পিটিসনশিং অসিদা মকোক মথং তারবা মীওইশিংদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

নিরমালা ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা পাব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং কুপা য়েংশিনখে।

মীফম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসেসকী সেক্রেটরি ডাঃ বিবেক জোসি, পাব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংগী মেনেজিং দাইরেক্তরশিং অমসুং চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসারশিং অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শ্রীমতি সিতারমন্না পাব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগী তোঙান তোঙানবা হিরম কয়া য়েংশিনখি। কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা

স্কিমশিং- পি.এম অৱাস য়োজনা, পি.এম শুরিয়াঘর অমসুং পি.এম বিশ্বকর্ম্মা স্কিমশিংগী মখাদা পাব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংসু মন্ত্রিনা য়েংশিনখি। তুংদা মন্ত্রিনা রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিংগী থবক থৌরমশিংসু হন্না য়েংশিনখি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগা নেপালগী মহাক্কা ফম মান্নবা আরজ্ রানা দিউবাগা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা ইনর্জি, লল্লোন ঈতিক, কন্নেক্তিভিতি অমসুং ইনফ্রাষ্টকচর শেমগৎনবগী মতাংদা লৈবাক অনি তেংবাং পীনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা নেপালনা ভারত্তা মৈ মেগা ৱাট লিশিং অমরোম থাদোরক্কনি হায়বা ৱাফম অদুদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। মহাকা হায়- ভারতকী য়ুমলোন্নবনা হান্না হায়বা থৌশিলনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ঙম্লগনি। নেপালগী ফোরেন মন্ত্রি আরজ্ রানা দিউবা নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎতা ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংলখিবনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মহাক্কী ভারত খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী নোতিফিকেসন হয়েং থোক্লগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা জম্মু কাশ্মীরগী অনন্টনাগ, সোপিয়ান, কুলগাম, রমাবন, কিসৱার অমসুং দোদা জিলাশিংদা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্র ২৪ দা মীখল পাঙথোক্কনি।

অহানবা তাঙ্কক অসিগী মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৭ নি। মথৎগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩০ নি। মীখল মথৎ থাগী ১৮ দা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা, লাক্লিবা মীখল অসিগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল হয়েং ফোংলবা য়াই।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মীরদা হন্দক থোকখিবা তেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা নেসনেল হাইৱে-২৪৪ বতোতে-দোদা-কিসৱার লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে-৪৪ জম্মু-শ্রীনাগর লম্বীশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি থমখ্রে।

ভিজিৎ ঃ গ্লোবেল সাউথ লৈবাক ১৫ গী হেলথ পোলিসি মেকর অমসুং এক্সপার্ট ৩০ নুমিৎ মরিনিগী ভারত খোঙচৎ ঙসিদগী হৌখ্রে। খোঙচৎ অসি কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়, হকশেল মন্ত্রালয় অমসুং আই.পি.সিনা পুন্না শিনবনি।

কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা থৌরম অসি ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখি। মীহুৎ কাংবু অসিনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা মরী লৈনবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। মীহুৎ কাংবু অসিনা আগ্রা অমদি হাইদ্রবাদতা চত্তুনা জন ঔসদি কেন্দ্রশিং য়েংগনি অমদি হিদাক শুংলিবা মফমশিং অমদি রিছার্স লেবোরেটরিশিংদসু চৎকনি।

ডে ঃ মালেমগী সংস্কৃত নুমিৎকা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা লোল অসিবু নুংশিবা অমদি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবদা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

দয়াল ঃ ভারতকী হান্নগী রাষ্ট্রপতি লৈখিদ্রবা ডাঃ শঙ্কর দয়াল শর্ম্মগী মপোক কুমওনদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাষ্ট্রপতি অমদি রাষ্ট্রপতি ভবনগী ওফিসিয়েলশিংনা ডাঃ শঙ্কর দয়াল শর্ম্মগী ফোতোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

করনাতক ঃ করনাতক্কী বেঙ্গলুরুদা মিচুরু অরবান দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী মখাদা লান্না লম পীথোক্লবগী মায়োক্তা বি.জে.পি-জে.দি.এস এল্লায়েন্সনা খোঙজং চংশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি সিদারামায়া ফম থাদোক্কদবনি হায়না দলশিং অসিনা খোল্লাউ লাউখি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাগী রাজ্যপাল ইন্দ্রা সেনা রেদ্দি নালুনা নুপীশিংবু ঙাকপী শেনবীদুনা মখোয়বু সমাজসিদা অকিবা য়াওদনা হিংবা ঙমবা হোৎনমিন্নশি হায়না আপীল তৌখ্রে। আগরতালাগী রাজ ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা রাখি ফোর সোলজরস হায়বা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপালনা লৈবাক অসিদা নুপী মথক্তা চথুরিবা হিংশা কয়া অসিবু নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

এসসি ঃ কোলকতাদা হন্দক থোকখিবা ডাক্তর নুপী অমবু ইজৎ মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হয়েং হিয়ারিং চথরগনি।

ভারতকী চীফ জষ্টিস-দি.ৱাই. চন্দ্রচুর, জষ্টিস-জে.দি. পরদিৱালা অমসুং মনোজ মিশ্রানা শাবা বেঞ্চ অমনা কেস অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লগনি।

মরক অসিদা, সি.বি.আইনা কোলকাতাগী ডোক্তর নুপী অমা লৈখিদবা থৌদোক্কা মরী লৈননা আর.জি.কার মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী হান্নগী প্রিন্সিপাল সন্দিপ ঘোস মরিকক শুবা ওইনা ঙসি ৱাহং পাউহং চথখ্রে।

দিল্লি ঃ দিল্লিদা ঙসিসু ডোক্তর অমসুং মেদিকেল তল্লিবা মহৈরোইশিংনা কোলকাতা ডোক্তর নুপী অমা লৈখিদবা থৌদোক্কা মরী লৈননা খোঙজং চংশিনখ্রে। এইমস, সবদরজং হোস্পিতাল, মৌলানা অজাদ মেদিকেল কলেজ অমসুং নোর্দন রেলৱে সেন্ত্রেল হোস্পিতালনচিংবদা থবক তৌরিবা ডোক্তরশিংনা দিল্লিগী নিরমান ভবন মনাক্তা খোঙজং চংশিনখি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্রগী রাইগর জিলাদা তুরিষ্ট অহুম সাবিত্রি তুরেলদা তাশিনবদগী লৈখিদ্রে। রেস্ক্য টিমনা মতম চানা লাকপদগী নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা অতোপ্পা মীওই মরিদি কনবা ঙমখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা চথরিবা ১৮ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা এস.আর.দি.সি ককচিংবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.এফ.সি ককচিংনা এ.আই.এফ.এ ইরেংবনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ নেপালদা চথরিবা এস.এ.এফ.এফ অন্দর ত্বেন্তি ফুটবোল তুরনামেন্টকী গ্রুপ-বিগী ঙসি কাঠমন্দুগী দসরত রঙ্গসালা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হান্নগী চেম্পিয়ন ভারতনা ভুতানবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। ভারতকী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোই ১০ য়াওরি অমসুং হাওবম রিকি মীতৈনা টিমগী কেন্তেন ওইরি। ভারতকী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৩ দা মোলদ্বিপসকা শান্নগনি।

------